ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ১৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৭০শুবা মশীং

# এয়রপোর্টকী লমদা লৌ উশিল্লম্বগী ৱাথোক

## নাকল অনীমক শোয়নরবনিনা য়েংথোক-য়েংশিন তৌরম্বা য়াবনি

কুমজা ২০০৮দা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) না ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোকহন্নবগী পান্দমদা অকোয়বগী লৌফম কয়া লৌশিনখি। অকোয়বগী লম লৌশিল্লগনি হায়বা ৱাফম লাকপদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। অদুবু লৌপুশিংদা মতিক চাবা লমগী মমল পীরগা এ এ আইনা এয়রপোর্টগী অকোয়বদা লৈবা লৌফম কয়ামরুম লৌশিনখি। মতুং তারকপদা মমিং লৈরবা পব্লিক সেক্টর টেক্নিকেল কন্সলটেন্সি ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা কিটকো লিমিটেদনা লুপা ক্রোর ৬০০ চঙনা এয়রপোর্টকী টর্মিনেল শেমগৎনবগী প্রোজেক মেনেজমেন্ট কন্সলটেন্সি (পি এম সী) কন্ট্রেক্ট ফংখি। প্রোজেক্ট অসি মপূং ফানা পায়খৎপা লোইরবদি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অসি পুং ২৪ মথৌ তৌবগা লোয়ননা এ-৩২০ অমসুং এ-৩২১নচিংবা 'সী' টাইপকী এয়রক্রাফ্‌টশিং লেন্দিং তৌবা য়ারগনি। থা ৫৪গী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনগদবা প্রোজেক্ট অসিগী মমাঙদা কিটকো লিমিটেদনা বেঙ্গলোর এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোকহনবগী প্রোজেক্ট পায়খৎখি। এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোকহনগনি হায়না লম লৌশিনখ্রবসু মতম শাংনা লৌশিনখ্রবা লৌফম পূম্নমক ইহাঙ-হাঙনা লৈরকখি। মদুনা মরম ওইরগা অকোয়বদা খুন্দারিবা লৌমীশিংনা কুম অমত্তং ওইরবসু ফৌ খরা লোকহৌনবগী ৱাখল্লোন্দা লৌ উবগী থবক পায়খৎখি। মসিমক্না এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওইখ্রবা লৌফমশিং অদু অরানবা মওংদা মুল্লগা নমদুনা লৌ উরগে হায়বগী ৱাখল্লোনমক্তি ওইরমগনি নীংদে। অদুবু এয়রপোর্টকী ওথোরিটিনদি মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীদুনা লৌশিল্লবা লৌফমদা কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা লৌ উশিল্লম্লে হায়বগীদমক ফৌ পানবা হৌরল্লবা লৌ পরি ১০০ রোম ত্রেক্টর শীজিন্নদুনা খোইদোক্লগা মাঙ তাকহনখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টকী ওথোরিটি অমসুং খুঞ্জাশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবগী থৌদোক অমা থোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা এয়রপোর্টকী ওথোরিটিনা হায়রিবদি মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীদুনা লৌশিল্লবা লৌফমদা করি মরমগী অরানবা মওংদা লৌ উরম্লিবনো হায়বসিনি। নাকল অমরোমদা লৌমীশিংনা হায়রিবনা হৌজিকমক এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোকপগী থবক পায়খৎপা নৎত্রগদি হাঙদুনা লৈরিবা লৌফমদা কুম অমত্তং ওইরবসু লৌ উরগা ফৌ খরা লোকহৌবদা অকায়বা লৈতে হায়বসিনি। ৱাফম অসিদা এয়রপোর্টকী ওথোরিটিনা হায়রিবদি এয়রপোর্ট মনাক নক্লা লৌ উশিল্লকপনা অচৌ-অচৌবা উচেকশিং পাইশিল্লক্লবদি এরোপ্লেন তাবা অমসুং পাইখৎপদা খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াই। অমরোমদা লৌমীশিংনা হায়রিবদি এয়রপোর্ট মনাক নক্লা লৌ উরিবসি ঙসি-ঙরাংতা নত্তে হায়বসিনি। শাংলবা চহী কয়া করিমত্তা তৌদনা লাক্লগা হৌজিক্তদা মতৌ করম্না উচেক পাইশিল্লক্লগা এরোপ্লেন তাবা অমসুং পাইখৎপদা খুদোংথিবা মায়োক্লহনগদৌরিবনো হায়নসু লৌমীশিংনা ফোঙদোকখি। এয়রপোর্টকী ওথোরিটিনা চেঙ অমসুং হৱাই খরা মতেং পাংবনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা খোয়শাওনরবা লৌমীশিংনা হায়রিবদি এয়রপোর্ট পাকথোক-চাউথোক্ত্রিঙৈদা এয়রপোর্টকী চেকপল মনাক নক্লা লৌ উদুনা লাকপদা খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্লখিদে। লৌমীশিংনা অরানবা মওংদা লৌ উশিল্লম্লে হায়বগী খুদোংচাবা লৌরগা পাক-চাউরবা লৌফমদা হৌবা ফৌ পাম্বীশিং অতম্নমা মাঙহল্লগে হায়না চথুখিবা থৌওংনি। মমাঙদা এয়রপোর্ট ওথোরিটিনা য়েংশিনবা লাকখিবদা লৌমীশিংনা অরানবা মওংদা লৌ উশিল্লুরবসু হৌজিক্তি লৌ পানবা হৌরল্লবনিনা মতম খরদং ঙাইবিরগা লৌ লোকপা ফাওবদি য়াহনবীয়ু হায়জখিবা লৈখ্রে হায়রি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অশুকপা উমং মনাক নক্লা এয়রপোর্ট লৈবা য়াওরি হায়না পল্লদুনা লৌমীশিংনা হায়, ইম্ফাল এয়রপোর্ট মনাক নক্লা লৌ উশিল্লকপনা প্লেন তাবা অমসুং পাইখৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়রিবসি লৌমীশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। ঙসি ফাওবা লৌফমদা উচেক অচৌবা অমত্তা পাইরকপা লৈখিদ্রি। থা অমা/অনীদা ঙাইবিরগা লৌ লোকহল্লবা মতুংদা অমুক হন্না লৌ উদনবা ৱার্নিং পীরম্বনা ফৈ হায়নসু লৌমীশিংনা ফোঙদোক্লি। হৌজিক্তি লৌমীশিংনা শেল অমদি মতম চঙনা হোৎনখিবা পূম্নমক অরেম্বদা মাঙদুনা তোক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা কনানা চুম্বগে অমসুং কনানা লানবগে হায়বা অমুক নৌহৌনা খন্নরুদ্রগসু মীনুংশিগী ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা অমসু-অমসু কায়দনবা থৌরাং লৌখৎলম্বা য়াবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। ওথোরিটিনা লৌশিনখ্রবা লৌফমদা লৌ উরুরিবা লৌমীশিংগী মায়কৈদা অশোয়বা লৈতে হায়না লৌবা য়াদে। অদুবু মসিদগী হেন্না শোয়রিবদি ফৌ পানবা হৌরল্লবা লৌফম পূম্নমক অমাঙ-অতা থোকহনখিবা থৌওং অদুনি হায়বা য়াই। হৌজিক্তি হৌখ্রবনিনা হৌখ্রে। অদুবু লোগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা ওথোরিটিনা অঙম্বা মতেং খরদং ওইরবসু পাংবীবনা লৈবাক মচা তাবগী মতৌ ওইগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১

১। মণিপুরী সাহিত্যগী চানক্য শ্লোকনি হায়নফাও শীংথানরিবা লাইরিক অদু করিনো?

২। "লল্লান কাইগী খোয়রোয়দি লোয়ুম্বা পাম্মু নংবু
মীচা পোক্তি নুংশিবা। চেংগৈ পাৎতা পাইবা-খোই,
ঙাঙৌ পাৎতা চাকতাবা, চিংজাও খোইমু লৈপাম্বা,
তত্ব মুহি খাংনৌবা"
মথক্কী অসি কনানা কনাদা শৈথাবনো? করম্বা মতাংদনো?

৩। মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অমনি "বাসন্তিগী নুংশি-মীনোক" হায়বসি। ৱারী মচা অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা ইহান হান্না ফোঙখিবগে?

৪। "নিঙোলগী হৌনসানি। মৈতৈ লৈপাক অরাপ্পা নত্তে, য়ুম্লোন্নবনি, থাপতোক্লবা য়াদ্রবনি। ...মৈতৈ নত্তনা চীংগী কনাসু লৈতে, মৈতৈগীসু ঐখোয় নত্তনা লৈতে।"
শক্লাইরবা অইবা অমনা ইবা উপন্যষ অমদগী লৌথোরকপা য়াম্না খঙনরবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। মসি কনানা কনাদা হায়বনো?

৫। মণিপুরগী শক্লাইরবা নোবেলিষ্ট ব্রজমণি মাইস্নাম্বা না ইবা ত্রিলোজি নিংথেমনুবী হায়বসি করম করম্বা নোবেলশিংনা পূনশিনবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম


পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** ফৌ পাম্বীনা খ্বাংগী মথক য়ৌরবসিদা হীদাক কাপ্পা চঙবা ঙমদ্রে। লৈখোমদা খরা পুথখ্রবা মতুংদদি খূৎ হাইবা য়াদ্রে; স্প্রেয়রদা প্রেসর পীনবা খূৎ নোম্বসু য়াদ্রে। তারিবা ৱাহিকশিংসি লাকশিনবা ঙমদ্রে; হীদাক কাপ্তবদি য়াদ্রে করি তৌগদগে তাকপীরকউ।

খোঙনা চঙবা নুংঙাইনবা ফৌরক লম্বী হাপহৌদ্রে। মথং চহীদদি শোয়দনা হাপচরগে?

– মুনাল, শুগুনু

☞ পাৱর স্প্রেয়র নৎত্রগা বেটরি ওপরেটেদ স্প্রেয়র মপাঙ্গল খরা কনবা অমদা স্মোল গন (A) অমসুং Jointer (B) হাপচিল্লগা লৌরিদা লেপ্লগা হীদাকশিং লৌয়ায় য়ৌনবা কাপ্পা য়াই। পাম্বৈ লৈতবগী মফমদুগা চানবা থৌরম অমা ওইনা হায়জবনি। লৌফম খুদিংদা পাঙথোকপা য়াবা নত্তে। হায়রিবা থৌরমসিদদি কাপ্লিবা হীদাকশিংদু তাফম থোকপা মওংদা ফৌনাদা তাররোই; মচি-মচিদা তারনি। তশেংবমক্তি স্কৱার সেন্টিমিটর অমা পাকপা মনাগী নৎত্রগা পাম্বীগী শরুক অমদা হীদাক য়াওরবা ঈশিংগী ইরিক ৩০দগী তাদনা য়ৌহনগদবনি।




খুদোং চাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা ৱাহীক্কীদমক কাপকদৌরিবা ঈশিং য়াল্লবা হীদাক লিটর ১৫ খুদিংদদা Silicon based sticker খুদম ওইনা Solostick মিলিলিটর তরেৎ য়ালহৌসি। মসিনা হীদাকশিংবু পাম্বীগী শরুকশিংদা মপূং ফানা নপহনবা অমসুং শনে দাকহনবদা নৎত্রগা ফৌনাদুদা তারক্কদবা ব্লাষ্ট লায়নাগী কোকফাই মরূশিং হৌবা ঙমহন্দে। ব্লাষ্টতগী ঙাকথোক্লনি। লায়নাগী হীদাক য়াল্লোইসি।

**Q.** ঐগী লৌ শঙম অমা 807 হৌজিক ফজনা শাৎলে অদুবু মখাগী উৎচরিবা অসুম্না অয়াম্বা ফৌ চরোংশিং কংশিল্লক্লে, ফৌহামগুম্না, মসিদগী কন্নবা করি তৌগদগে? কাপসিরা, চাইসিরা? কাপ্লবদি ফৌরিক য়াম্না কেনগদ্রা, করম তৌসিগে?

– থৌদাম ইবুঙো, থৌবাল



☞ চরোং কংশিল্লকপা হায়বসি মখল কয়া থোক্লা য়েংবা য়াই। ময়োন শৎলবসু/চিক্লবসু চরোং কংগনি। পায়রগা শৎকৎপা য়াগনি। মসিগীদমক Ampligo মিলিলিটর ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। শঙমদা হীদাক মিলিলিটর ২৫ চঙই। Coragen ওইরগনা মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানগনি। শঙমদা হীদাক মিলিলিটর ২০ চঙই।

চরোংগী মঙক্তা খামদেকপা শৎকৎপদি য়াদবা ওইরগনা নেক ব্লাষ্ট ওইগনি। মসিগীদমক Tricyclazole 75% গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক গ্রাম ৭৫ চঙগনি। নৎত্রগনা শাৎপা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈ মতমদা ফৌহাম য়াওরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা ওইরগনা Paddy micronutrient (complex) গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমদা হীদাক গ্রাম ২৫০ চঙগনি।

লৈরিক য়াওদবা ফৌহাম, লৈরিক য়াওনা ফৌহাম চেনবা, ফৌ মরাং-মরাং লাংলগা ফৌহাম চেনবা; খ্বাইদগী মতোন থংবা মনা (ফ্লেগ লিফ) না ফৌ চরোংদু য়োমশিল্লগা ফৌ মরূশিংদু ফৌহাম চেলহনবা য়াওনৈ। লায়নাদুনা শোক্লবা ফৌ চারোংদু য়াওবা ফৌ পাম্বী অমতং য়েংসি, চপ চাবা খঙদোক্লবা।

**Q.** পাউচে অসিগী তাং ৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী অহানবা লমায়দা য়াওখিবা **'ওর্গানিক ওই হায়না য়োল্লিবা এঙ্খাং-নাপীশিং য়েংশিনবা মথৌ তারে'** হায়বা পাউগী মখা লমাই ৩গী কলম ৬তা য়াওরিবা *"করিগুম্বা কোবি অমা লৈবা মতমদা কোবি অদু য়াম্না ফজনা তিন-কাং তাবগী মমি অমত্তা উদ্রে হায়রবদি কোবি পাম্বী অদু হার অমদি তিলহাং হীদাক মপুং ফানা শীজিন্নদুনা পুথোকরকপা পোৎথোকনি। করিগুম্বা কোবি অদুদা তিল-কাং খরা তাখিবগী মওং উরবদি কোবি পাম্বী অদুদা তিলহাং হীদাক কয়া শীজিন্নখিদ্রে নৎত্রগা তিলহাং হীদাক শুকশিন শীজিন্নখিদ্রে হায়না লৌবা য়াই"* মসিবু কদায় ফাওবা চুম্বগে?

– চুরামনি মাইবম, তেন্থা

☞ পাম্বী অমা তীল তাদ্রবদি হীদাক কাপ্লম্লগনি, তীল তারবা কোবিদি হীদাক কাপত্রিবনি হায়বসি য়াদে। তারিবা তীলদুগী চপ চাবা specific ওইবা হীদাক চাং চানা, তীলগী হীদাক কাপকদবা চপ চাবা মতাংদা কাপ্লবদি তীলদু নৎত্রগা কোকফাইদু নৎত্রগা বেক্টরিয়াদু ইরায় লায়না লাকশিনগনি। মদু নত্তবা চানদবা হীদাক কয়ারক কাপ্লবসু লায়না তীলনাশিং লাকশিনবা ঙমলোই। তীল চারবা কোবীদু মখল কয়াগী হীদাক্না য়োম্লবা তীলদুদি হাৎপা ঙমদ্রবা কোবী ওইরম্বসু য়াই।

ঙসি ঙসিমক ফৌ থারিবা লৌফমশিংগী ৱাহিক (হোপ্পর) শিং অসিবু লাকশিনবা ঙম্নবা হোৎনরিবা মফমশিং অমসুং ৱাহীক্না লাকশিনখ্রবা মফমশিংদুবু হীদাক অমত্তা কাপত্রি হায়বা য়াররোই।

অসিগুম্বা মরম চাদবা ৱাফম কয়া অমা মীওই কয়া অমনা হায়নরিবসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা লায়না তীলনা কয়াবু রেজিষ্টেন্ট ওইবা পোথোক লৈবা ভরাইযি কয়া থানীংদ্রে। খুদম ওইনা Semis কী Sweta থাবদা কিলো মঙা য়ৌই হার হাপত্রফাওবদা, অরাপতিদগী খঙগনি। কৈথেলদদি অরৈবশিংনা হার-হীদাক য়াম্না শীজিন্নৈ হায়রম্মী, থানীংদ্রে।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্কুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# লৈবাক লৈহাও মাঙদনবা অচম্বা পাম্বৈ খরা

- এস সুমঙ্গল -

লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী খ্বাইদগী তঙাইফদবা, অদুবু অৱাবা অমদি ওইবা থৌরমনি হায়বা তাই। অদুবু লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমদি ওই। লৈবাক লৈহাও য়াওদবা মফমদা থাবা পাম্বী মশা মউ ফনা হৌবা ঙমদে। লোয়ননা মদুবু চাবা মতমদসু হকচাং ফবা হায়বদু ওইরোইদৌরিবনি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা হায়বসি এঙ্খাং নাপি থাদুনা অমদি লৌউ-শিংউ তৌদুনা শেন্দাল লম্বী ওইরিবা মীওইশিংগীসু, মদুবু চারিবা মীওইশিং খুদিংমক্কীসু য়াম্নমক মরু ওইবা থৌরম অমনি হায়জনীংই। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাওবু মাঙহন্দনা লৈবাক লৈশাবু মশা ফনা থম্ননবা অরায়বা থৌরম খরা খঙজিনমিন্নসি।

**১) মফমগা চানবা পাম্বী থাবা :-** লৈরিবা লৈবাক নৎত্রগা লৌফম অদুগা চানবা মখলগী পাম্বী থাবা হায়বসিমক তঙাইফদনা তৌবীবা তাই। লৈতান লম কদক-কদক লাওবা মফমদা পান, আলু থাবা চানদে। লাইবক ফবনা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি অয়াম্বা মফমশিংদা অয়াম্বা পাম্বী অদুমক চানবা লমদম ওইনা তৌই। তঙাইফদনা ইশাগী থেংনজবা খরদগী চানবা পাম্বী খঙদোকপা হায়বসিমদি খরা হোৎনবা চঙই। পাম্বীশিংগী হৈনজবা অশিন অয়াক্কী চাং লৈবাক অদু অকনবা লৈতান লম, লৈঙোইনা নম্বা লম নৎত্রগা ফোলি তাবা ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা লম ওইব্রা হায়বদুদি ইশানা খঙজবা ঙম্বা পোৎশক অমনি। লৈনুংদা তাবা আলু, পান, লৈবাক হৱাই, শিং, য়াইঙংনচিংবা পাম্বীশিংদি কৈদৌনুংদা অকনবা লৈতান লমদা থাবদা মায় পাক্লোই হায়বসিদি খঙনরবা ৱাফমনি।

**২) লৈবাক নিংথিনা খোইবা :-** মফম অদুবু নিংথিনা খোইদুনা শেম শাবা হায়বসি পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্নবা থৌরম অমনি। মসিনা হৌরম্বা নাপী-শিংনাশিংগা লোয়ননা হান্না থারম্বা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক লৈশাদা খোইজিন্দুনা লৈবাক্তা তিলহল্লি। মসিনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনবদা, পাম্বীশিং অদুনা চুপথোকখ্রবা লৈহাও হঞ্জিনহন্দুনা লৈহাও কাহনবদা মতেং পাংই।

**৩) অওন পোত্থা (ক্রোপ রোটেসন) :-** পাম্বী মখল অমখক্তং হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌফম অমত্তদা থাবনা পাম্বীদুনা পামজবা মচলশিং লৌফমদুদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌথোকখিবনা মচলদু মাঙখিবা তাবনি। লোয়ননা লৈহাও হন্থরকপা তাবনি। মরম অসিনা মান্নদবা পাম্বীশিং ওন-ওন দুনা থাবা ফৈ। মসিনা লায়না তীলনা কয়া লৌফমদুদা তাশিনবদগীসু কনবা ঙমগনি।

**৪) নাপি পেংথোকপা :-** নাপিগা থারিবা পাম্বীগা মচিঞ্জাক, ঈশিং, নুংশিৎ, নুংশাগী মঙালগীদমক কম্পিটিসন থোক্তুনা পাম্বীদা চৈথেং কয়া পী। মতম চানা নাপি পেংথোক্তুনা অরেম্বদা লৈহাও মাঙবদগী কনসি। হৌরিবা নাপি লৈহাও ওম্থোকসি।

**৫) লৈবাক্কী ঈনিলগী চাং চানা থম্বা :-** লৈবাক্তা ইনিলগী চাং হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা মতমদা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। ঈশিং হেনবা মতমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং চেন্থবা নৎত্রগা চুমথদুনা মাঙই। চাং চানা থম্বনা লৈহাও মাঙহনদবা ঙম্মী।

**৬) লৈবাক লৈহাও চেন্থবদগী কনবা :-** মরু ওইনা লৈবাক লৈশাগী মথক থংবা শরুক্তা নাইট্রোজেন অসি য়াওখিদুনা মাঙখি। ঈশিংনা নৎত্রগা নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থখিবদগী কনবা হায়বসি লৈবাক লৈহাও মাঙদনবগী অচৌবা পাম্বৈ অমনি।

**৭) গ্রীন মেন্যুরিং :-** থরাক পানবা হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা চুচুলাংমৈ, উ হৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী, অতোপ্পা পাম্বী ওট পাম্বী, চনাল, চদেনচিংবা পাম্বীশিং থাদুনা খরা নৌরিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী অশংবা মনা-মশিং, অনৌবা উশা-ৱাশা খোল্লুরগা অশংবা ওইনা লৈবাক্তা খোইজিনবগী থৌওং অসি গ্রীন মেন্যুরিং হায়নরিবদুনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও কাহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি। থরাক পানবা হৱাই মখলশিংগা হিংকুপ (রাইজোবিয়ম) খরগা হিংমিন্নদুনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন



দুনা লৈবাক্তা হাপচিনবা ঙম্বা পাম্বীশিং অসি য়াম্নমক মরু ওই। অসুম্না লৈহাও কারবা অমদি লৈশা ফগৎলবা লৌফমদা থাবা পাম্বীশিং চাথোক নিংথিনা পীবা ঙম্মী, শেন্দোং লৈহল্লি, তুং কোয়না লৌফম অদু লৌ উবা য়াহল্লি।

**লৈমাই কুপশিনবা ঙম্বা পাম্বী (কোভর ক্রোপ) থাবা :-** লৌবুক লমহাং ওইনা পোৎ চৈ থাদনা লৈবা মফমশিংদা কোভর ক্রোপ থাদুনা ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থোক্তুনা মাঙহনবদগী কনবা ঙমহল্লি। থাবা য়াবা পাম্বীশিংগী মনুংদা মঙ্গ্রা, পোং হৱাই, হৱাই অশাংবী পনবা য়াই।

**৯) মহৌশাগী ওইবা হার (ওর্গানিক মেন্যুর) শীজিন্নবা :-** পাম্বীগী উনা ৱানা অমদি শা-ঙাশিংগী পথু-পুমথরবা, নিংথিনা পথু-পুমথরবা মখলগী মহৌশাগী ওইবা হারশিং ষন্থি-ষণয়ুং, থাওথি অসিনচিংবশিং অসি অফবা মখলগী লৈবাক লৈহাও কাহনবা, লৈশাগী ফীভম ফগৎহনবা, কান্নরবা হিংকুপশিং মরাং কায়হনবা ঙম্বা হার মখলশিংনি। মখোয় শীজিন্নবনা তুং কোয়বা লৌউ শিংউ ওইহনবদসু চাউরবা থৌদাং লৌরিবনি।

**১০) অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা তুংহন্দবা :-** লৌফমদা অহেনবা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবনা লৈবাক লৈহাও চিথুদুনা/চুমথদুনা মাঙই, হিংকুপশিং হিংবা ঙমহন্দে, লৈশাদা/লৈনুংদা নুংশিৎ ফংহন্দে। হিংকুপশিং মথৌ তৌদ্রবনিনা মিনরেলাইজেসন তৌদুনা পাম্বীদা মচিঞ্জাক ফংহনবা ঙমদে। মরমশিং অসিনা অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা লৌফমদগী লৌথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওই।

**১১) খুৎশেমগী হার (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) :-** ওর্গানিক মেন্যুরদদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচল য়াম্না য়াওদবা মরম্না খুৎশেমগী হার খরা শীজিন্নদুনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা অসিসু তঙাই ফদে। চাং চানা মতম চানা কাংলোন চুম্না হাপ্পিগনি। লোকখ্রবা পাম্বীনা চুপখৎখ্রবা হারশিং মখোয়বু লৌফমদা খোইজিনবিদুনা লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবিবসু তঙাই ফদে।

**১২) অশিন-অয়াক্কী চাং চানা থম্বা :-** কা হেন্না শিনবা নৎত্রগা কা হেন্না য়াকপা লৌফমদা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। মরমদি অশিনবা লৈবাক্তা আইরন, মেঙ্গানিজ, এলুমিনিয়ম পাম্বীনা ফংবা ঙমদে। মতম-মতমগী ওইনা অশিনবা চেক তৌথোকপীদুনা চুমথোক্লবা শুনু চাইদুনা অমদি অচুম্বা হার মখল চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক শিন্দনবা হোৎনবা চঙই।

মথক্তা থমজরিবা থৌরমশিং অসি চানবা মফম অমদি মতম য়েংদুনা হোৎনরবদি লৈবাক লৈহাও মাঙথরকপদগী কন্দুনা তুং কোয়না লৌফম অদু লৌউ-শিংউ তৌবা য়াগনি, লৈবাক য়াইফগনি। ●